ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯅꯣꯕꯦꯝꯕꯔ ꯲꯷, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, নবেম্বর ২৭, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৪২শুবা মশীং

# এস টি লিষ্টকী খোঙজং

## খোঙচেপ হাইনবা য়াওরব্রা

মণিপুরগী মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বা য়েলহৌমী কাঙলূপ অমা ওইরিবা মীতৈ/মৈতৈবু লৈবাকসিগী চৎনরিবা কন্সটিট্যুসনগী সেদ্যুল্ড ত্রাইব (এস টি) কী লিষ্টতা য়াওহনগদবনি হায়বগী খোঙজং চঙশিল্লক্লিবসি কুইশিল্লক্লে। দিমান্দসিগী মতাংদা চঙশিনবা য়াবা প্রোটেষ্ট, এজিটেসন কয়া চঙশিনখ্রে। ষ্টেট অমসুং সেন্টরগী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদসু তকশিনখ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবদি তান্দুনা লাক্লিবা দিমান্দসি ফংবা লৈত্রি। মসিনা মরম ওইরদুনা খোঙজংশিং লেপত্রি, চঙশিল্লি। অদুগা হায়রিবা দিমান্দসিবু তানবা হৌজরকখিবা, খূৎমাজরকখিবনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি ওফ মণিপুর (এস টি দি সী এম) নি। মসিদি ককপা য়াররোইদবা পুমচুম চুল্লবা ৱাফমনি। ঙসি ফাওবদা কম্মিটি অসিনা হনবা লৈতনা খোঙফম চেৎনা হোৎনজরকখিবদগী লৈবাকসিগী কন্সটিট্যুসনগী সেদ্যুল্ড ত্রাইবশিংগী লিষ্ট হায়বসি করিনো? মসিদা মীতৈ/মৈতৈশিংনা করিগীদমক য়াওগদৌরিবনো? য়াওফম থোকপ্রা নৎত্রগা থোক্তব্রা হায়বনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং মীপূম তিংনা খন্নবা অমসুং নৈনবা হৌরক্লিবনি। ইশম শন্বদা মীতৈ/মৈতৈনা সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চনগদবনি হায়বগী ৱাখল্লোন অমা কাঙলূপসিগী ফুরুপচাশিংদা নত্তনা অতৈ ফুরুপশিং অমসুং মরী লৈনবা লৈঙাকশিংগী নাকোং য়ৌহল্লক্লিবনি। মসিগীদমক এস টি দি সী এমগী চাওরবা ক্রেদিট লৈ হায়নীংই। হৌজিক দিমান্দসিগী মতাংদা লৈরিবা ফীভমনা সেন্টরগী মায়কৈদগী মণিপুরগী মীতৈ/মৈতৈবু লিষ্টসিদা চলহন্নবগীদমক ষ্টেট লৈঙাক্তগী ওফিসল ওইনা তৌখিগদবা রেকমেন্দেসন তৌরকউ হায়বনি। অদুগা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগীনা হায়রিবা রেকমেন্দেসনসি হৌজিক ফাওবা থাদবনি। ফীভমসিদগী দিমান্দসি তাল্লিবা এস টি দি সী এম অমসুং লৈঙাক্কগী মরক্তা ৱারু-নুংজু থোক্লরকপনি।

অদুবু এস টি দি সী এমনা মীতৈ/মৈতৈশিংগীদমক্তনি হায়দুনা দিমান্দসি তান্দুনা লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংশিংগী চৈরক্তা ৱর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিল (দব্লিয়ু এম সী) সু দিমান্দসি ফংনবা হোৎনবদা শরুক য়াদুনা চঙশিল্লক্লে। খোঙথাংসিমক্তি এস টি দি সী এমদা প্লস পোইন্টনি। দিমান্দসিনা হেন্না মপাঙ্গল হাপকৎলকপা, কনখৎহল্লকপগী ৱানি। প্রেসর গ্রুপ্তা মপাঙ্গল কনখৎলকপা হায়বসি তাল্লিবা দিমান্দসি ফংনবগী লম্বীরোমদা চঙশিল্লক্লে হায়দুনা লৌবা য়ারক্কদৌরিবনি। অদুবু দিমান্দসি তকশিল্লদুনা দব্লিয়ু এম সীনা অতোপ্পা লূপ ১৬কা খূৎশম্নদুনা থাসিগী ২৪ অমসুং ২৫গী লোন্নবা অহিং নোংয়াইদগী পুং ৭২গী জেনরেল ষ্ট্রাইককী খোঙজং চঙশিনখিবদা এস টি দি সী এমগী মায়কৈদগী মখোয়গা মরী লৈনদে হায়না ফোঙদোরকখ্রিবা করিগীনো? চুম্মী, হায়ফম থোকই। এস টি লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়বগী খোঙজংশিং লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লগসু জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌবদা মখোয় য়াওদবনিনা য়াওদে, মরী লৈনদে হায়রকপনি। মশানা তাবা ৱাফমনি। অমরোমদা কোভিদ পেন্দমিককী খম থেংবা মৈশা লাংলুরবা মীয়াম্না মায়-মিৎ খজিক্তুং পাংবা হৌরকপদা ঙাইরিঙৈদা পুং ৭২গী জেনরেল ষ্ট্রাইককী খোঙজং চঙশিল্লকপা হায়বসিসু মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা পীগদবা থৌওংনি। অদুবু দব্লিয়ু এম সীগী খোঙজংসিগী মায়োক্তা লেপ্পগী ৱাফম নত্তনা অমসুং শৌগৎপগী ৱাফম মকসু নত্তনা মণিপুরগী মীয়ামগী অফবা, কানবা ওইজ-ওইথক্কী দিমান্দ অমত্তং তৌরকপদা ষ্টেট লৈঙাক্না নৎত্রগা সেন্টরনা হরাও-হরাও শেম্পাক্তা অথেনপোৎ ওইনা খুদোল তম্লকপা য়াওখ্রবরা হায়বনি। মসি অদুঙৈ কুমজা ১৯৭২গী জন্যুৱারী ২১দগী মপূং ফাবা ষ্টেটহুদ ফংখিবগী দিমান্দদগী হৌরক্লগা অফস্পা, ১৯৫৮ লৌথোকপগী, কংলাদগী সিফাই লৌথোকপগী, মণিপুরী লোলনা ৮শুবা সেদ্যুলদা চনবগী, ইন্নর-লাইন পর্মিট সিষ্টম চৎনহনবা ফাওবদা মীয়াম্না শং-শং মায়োক্নখ্রবা ঙাক্তনি। হরাও-হরাওনা ইবুংঙো-ইবেম্মা হায়নরিঙৈদা য়ারক্তবদগী খোন্থি-খোনচোপ য়াওনরক্তুনা শা-লান থোক্নদুনা মুন্দুনা হেক লৌবদৌনা তৌদ্রবদি য়াদবগী ফীভমশিং অদুননি হায়নীংই। অদুবু দিমান্দ ফংনীংলিবা এস টি দি সী এমনা দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদতা চঙশিন্নীংবা ওইরবসু দব্লিয়ু এম সীগী জেনরেল ষ্ট্রাইক্তা মরী লৈনদে হায়রকপসিদি দিমান্দসি তানমিন্নরিবা মশেলগী মরক্তা খোঙচেপ হাইনবা য়াওরক্লব্রা চিংনহল্লি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩০**

১) *“হুয়েল লানশোক লৈমাবী।।/পাস্বোম খূৎশু শিঙথাঙমদমবী।।//থাঙহাই নোংথাং পান্দম্নবী।।/শঙাইশেল তাহুল পাইগুম্বী।।/উনবী শৌশা মাঙহনবী।।/শমু মাঙদা খাঙঙমদবী।।/লানফম কুম্মৈ য়েংগনবী।।”* পীরিবা পরেং খরসি কনাবু শৈথাবা মীংখৈনো?

২) **“চফূন কায়রবদি”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **“নীংশিংলি লেপ্তুনা তেংথারি যমুনা;/নিল্লি লাউখোংলি থুগায়রি অচীকপা।/মতমগী খজাইদা শিন্থ্রি পিরাং মা;;/ফোঙদোক্লি অৱাবা অতৎপা লৈতনা।।”** ময়াম্না পাম্নবা ঈশৈ মতেকনি, শৈরেংবসি কনানো?

৪) *“ওঁবাসুদেব-মহাকাব্য (মীতৈরোলগী মহাকাব্য)”* হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?

৫) *“মোহনদাস”* হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নোং ফাদোক লম্বীদা

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



- করম তৌরিবা নহাক, উখিদবা কুইরক্লে?

- করিসু তৌদে?

ৱাহৈ অনীসিখক্তংনি ইবোমচানা ইহৈ হৈনীংদনা ইবেমহলগী ৱাহংগী পাউখুম শুপচিল্লগা পীখিবদু। ইবেমহলনদি য়াম্না নুংশিনা হৌখ্রবা থৌদোক কয়াবু নীংশিংলগা হংলকখিবনি। নুমিদাংৱাইরম অমনি ইম্ফালগী।

- নয়াংগদু কংত্রিক হেক কংশিল্লেনে! নঙবু না য়েকপগা য়াওব্রা? হা নঙবু করিমত্তা চাদ-থক্তুবরা হায়বা? য়ুসু থকপ্রা?

- থক্তে!

ইবেমহলনা মনম মনম হংলকপা ৱাহংশিংগী পাউখুম অতেনবা পাউখুম ওইনা পীবা নত্তনা ইবোমচাগী মফমদা থোইনা মখা শাংথনবা অতৈ মরম অমত্তা লৈতে। করিনো মানা খুমগদৌরিবা অসে? মদুগী কান্নবা হৌজিকসু লৈরিবরা? পূম্ন মক খনবদা থোক্তে। মসিদা নত্তনা ইবোমচানা ইবেমহলগী মনাক্তা লেপ্পদুফাওবা শৌবিং শৌবিং লাউনা থোকচৈ। কুইনা ইবেমহলগী মনাক্তা লেপ্নীংদবা ফাওরে।

মখোয় অনী ইম্ফালগী লম্বীগী চিদাই অমদা ইথা থাজদনা থেংনবনি। থেংনরিবা অসি শুকথা থাজদ্রবা থৌদোক অমনি। উনবা, থেংনবা অসি লাইবক্লসু তন্বীদ্রবা অদুগা উনগদৌরিবা অমদি থেংনগদৌরিবা অনী অদুনসু উন-থেংনদনবা কন্না হোৎনখ্রবদি পাক্লা ওইথোক্লরোইদৌবা থৌদোক অমনি অদুবু মদুদসু অদুম থেংনদবসু নত্তে। ইবোমচা চহী তরামঙাগী মমাঙদা লৈখিদ্রবা মপাগী লাংবন তর্পনগী হৈশোই লাঙননবা অমদি লাইগী পোৎলম চৈরম খরা ইম্ফালদগী লৈগে লাকপনি।

ইবেমহলদু নুংঙাই য়াইফবা ইমুং অমদা ওংখিবনা ওইবা তাই হৌজিক্লবু হেন্না নহা ওইথোক্লা উই। চহীদি য়াঙ্খ্রে খরা হেল্লল্লগনি। অরং অরাক্লা মশাদু পুময়োম য়োম্বমক্লি হায়বমক নৎত্রবসু মশাদু মমল য়াম্বা ফিজোল ঙাক্তা শেৎ চায়, কুচু পান্থোকই। ইবেমহলগা লাকমিন্নরিবী মচানুপী অতোনবীনি হায়রিবী অদুসু চহী তরামুকপু শুদৌরম্মনি, পুংকক চাওরে হায়বা তাই।

মহাক্কী নুপা অদুসু শেল য়াম্না থোকপা ওইনা ঙাঙনৈ। য়াম্নসু শাথী হায়নৈ। তৌগেদা ঙম্বা ঠিকাদার অমা ওইরমাল্লে। মীনা ঙাঙনবদগী তাবনি। মানা ইবেমহলবু য়াম্না পামজৈ হায়নৈ। ইবেমহলনা মাগী পর্স অদু হাংদোক্লগা শেল খরা লৌথোক্লগা হায়রকই,

- সে! লুপা লিশীং তরানি। নফিগদো য়েংবা য়াদ্রে করি করিনো খরা লৈয়ু। নকোই নরাংগদু খরা ককথৎলু, মীনা অঙাওবনি হায়রনি।

ইবোমচা শেল অদু মওং অমত্তদা লৌনীংবা পোক্তে অদুনা শেল অদু লৌ হায়বা য়াদে, মখূৎ তিংথোক্তে। মহাক্কী থম্মোয়না পাল্লিবদি শেল অদু নত্তে। মহাক শেল খরা অদুগীদমক মায় হঙ্গৎতে। চিল্লবা লম্বী অদুগী মতাই মীনিনখোল মরক অদুদা মহাক হৈনীংদনা লেপ্পগা লৈ। মহাক ফজবা ফিরোলসু কল্লকপা মী অমা নত্তে। মহাক্কী চীন্বালদগী ৱা অমত্তা কাঙথোক্লিংঙাই লৈতবদৌনা তৌই। ঙাঙলিবা ৱাহৈ খরদুসু ঙাঙদবা য়াদবগী, খুমদবা য়াদবগী মওংদনি। ইবেমহলনা ঙাঙলিবা ৱাদু ৱাহৈ অমা অনীতগী পাউখুম্না থবৎ-থবৎ ককই। হায়গদবা অদুদা হায়, খুমগদবা অদুতা খুম্মী। মহৌশাগুম্না মহাক্কী মশাদা হায়নীংবনা পিক থনবা মীশক অমা হায়বদুদি ওইদ্রে। মী অতৈনা ঙাঙবা তানীংদে, মীদগী লাপ্না লৈনীংই মানা তারিবা খরা অদুসু মানা তানীংদুনা তাবদি নত্তে। মহাক্না মহাক্কী থম্মোয়নুংদগী হায়নীংলিবা পূম্বা মাগী মীৎতগী শিন্থ্রিবা পি মরীকশিং অমদি হৈনীংদবা মাগী মতৌগী খূৎথাঙদা তেংনা হায়বগুম্না তৌরি।

শাংলবা চহী তরাগী মতুংদা মখোয় অনী থেংনবনি। মসিগী মমাঙদা মখোয় অনী উননবা তাঞ্জা অমত্তা লৈখিদে, ফীভম্না নৎত্রগা করিনো অমনা। তোঙান তোঙান্নখ্রবা পুন্সি অনীনি। ইবেমহলদা ইবোমচানা ঙসিদি মুন্না ফাওবা য়েংজবা ঙমজদে। মহৌশাগুম্না নীং তম্না ফাগি জুগাই তৌজবসু ঙমদ্রে। ইকোই কোইনরে, ইরাপ লাপ্নখ্রে।

- কপকনু, ইবোমচা!

- কপ্তেদা।

- নঙগী ফোন নম্বর অদো অমুক্তা পীরম্মু। ঐ মরক মরক্তা কোল তৌরক্লে। নহাক য়েংবা ঙমদ্রে।

- ফোন? ফোনগা অমত্তা লৈতে! ইমা, নঙ চৎলো, ইমাবু লাক্তে হায়না ঈশৌ অমুক লাংলল্লনি। ইমাবু মহাক্লা ফূবি চৈবিগনি। মহাক অদো য়াম্না শাথী হায়নৈ। ঐ চৎলে, ইমা। ইমা থেঙখিনি।

মাগী ওইজবা ফংদ্রবা মচানুপাদুনা ময়াং ইকং কংলদুনা খাউ অমা য়াল্লদুনা মাবু তুং হন্না য়েংলমদনা খোঙলৈ থুনা চৎখিবদু ইবেমহলনা মীৎ কুপ্তুনা য়েংহৌরি,

- ইমাগী ইবুংঙো, নঙ পুন্সি চুপ্পা নাদ-য়েক্তবা ওইয়ুকো।

ইবেমহলগী ফোনদা মমা মচাবু কাঙজৈবুং মনাক্তা গাড়ী ঙাইদুনা লৈরে হায়না মাগী মপুরোইবনা ফোন তৌরক্লুম্মী। নুমিৎকী মচু চায়থরক্লে। মনাক্তা ইঙক ঙক্লা লেপ্পগা লৈরিবী মচানুপী অতোনবীবু মখূৎ হাইফেৎ শন্নগা চৎমিন্নখি। ●

# লৈবাক নীংবা তান্নবা

**নবকুমার ওইনা**

লৈবাক নীংবা ময়াম মরকসিদা নীংফম খঙদবা ঐখোয় খরদি ইকায়বনা শিখিবনা ফরব্রা খল্লবনি। ফম্নাইবশিংনা হায়রগা মখোয়না লৈবাক নীংবা হেনবা হেক্তা মাল্লি; ক্লব, কম্মিটি, ওর্গনাইজেসন ময়াম্না হায়বদনা মখোয়না হেন্না লৈবাক নীংবা মাল্লি। খরনা পুনগনি হায়গনি, খরনা তোঙান চানি হায়বসু য়াওই। অঙম-অঙম্বা শেৎনরগা চানবা অসি ওইরমান্নে লৈবাক নীংবা হায়নরিবসি। লৈবাকপুদি নীংবা, য়ূমথংনবদি শক খঙনবা, কৌনবা, ৱারী শানবা তানবা নত্তে।

অমনা অমবু ইকায়খুম্নদ্রবদি কনানা ইকায়খুম্নবীগনি। থৌগল্লোন, থকসি-খাসি অহল-লমনদা অদুমা ঙাক্লা চৎত্রবদি লৈখা তারগা লৈরিবনি হায়বা ঙম্বা মিনিষ্টর য়াওরবনি। হায়বদি খুন্নাইসি লৈখা তারে হায়বদুনি। লৈখা তারবা খুন্নাইদুগী লৈবাক অদুবুনি নীংবা তান্নরিবসি। হায়রিবা অসিবু চুল্লব্রা, মখোয়নবু হায়রবদি চুল্লল্লনি। এম এল এ ওইগনি হায়বা ময়াম অমসু ভোট লেপকনি হায়দুনা থোক্লক্লি। মখোয়নবু হেন্না লৈবাক নীংবা মাল্লক্লি; ফৌ-চেঙ ৱাৎহল্লোই, লম্বী শেমগনি, থবক পীগনি, লাইদুম মাল্লকই।।

ময়াম্না নীংলিবা লৈবাকসি করম্বনো, অয়ূক্কী লৈবাক নীংবগী ঈশৈদসু লৈবাকসি অনী শুই, লৈবাক নীংই হায়রিবশিংসু মখল অনী শুই, লৈবাক মচা নীংবা- লৈবাক অচৌবা নীংবা। ইশাদি করম্বা নীংবনো খঙজদে, ময়াম্না হায়নবগী শুম য়াওজবতনি। ইশানা নীংজগে হায়বা লৈবাক্তি লৈখিদ্রে, নুংশিজবতা ঙাইহৌরে। নুংশিবগা নীংবগসি খেন্নে, নুংশি হায়হৌদ্রবদি নীংবনা ফংবা ঙম্নদবসু লৈরিবনি। ইমা লৈবাক, ইমা লৈবাক হায়নরিবসি তাবদা ঙকপা অমা য়াওশিল্লক্লি। লৈখিদ্রবদু লৈরবা শারগা ঙাঙবা, পঙনীংদা নীংবা, নুংশিরিব্রা-নুংশিদ্রিবরা হায়ফমসু খঙদা, ইরৈবাক হায়বদু লৈত্রবদি করিদা নীংগে হায়রিবনো। মদু ফাওবা খঙজদ্রবা ঐগী ইরৈবাক হায়বা অমা কদায়দগী লাক্কদৌরিবনো? পঙদা পঙলবা ঐনবু করি তৌরুগদৌরিবনো? থবকসু হৈতনা।

লাই নীংলগা, লাৎলগা ইরৈবাক ফংগনি হায়বদুমা শুকয়া য়াদ্রবা ৱানি। লাই চগুপ-চগুপ, মচা-মচা লাৎনরুবদগী লৈবাকসু মচেৎ-মচেৎ তাখ্রিবনি। লাই নীংবগা লৈবাক নীংবগা য়াম্নমক খেন্নে, মদু খঙহৌদবদগী লৈবাক কয়া মুৎখ্রিবনি। হৌজিকসু লাই নীংগেরা লৈবাক নীংগেরা মফম মরাং খঙবা নৎত্রি। তশেংনা ইশাদি লাই নীংদে, লৈবাকসু নীংদে, লৈখিদ্রবা অমা নুংশিবদি ফাওজৈ। লৈবাক্কীদমক্তা লাই নীংসি হায়বদুদা শুকয়াও য়াওজরোই, মদুম হায়শিন্নরগা থৈদুনা পুরিবসিদা শৌগৎপা ওইনদুম থোক্কদৌরিবনি। নীংবগী নীংবা লৈবাক্তু ওইনা তরং-তরং নীংবা ওইরবদি য়াওজগে খল্লি। লৈবাক নীংবদি মতোম মতোমতা য়ূমদা নীংনবসিদি লাল্লি খল্লি। মাইক্রোফোন্দা নীংবসু য়াওবা মাল্লক্লি। চেদা ইবা, লাইরিক ওইনা ইনরিবা ময়ামসিদসু লৈবাক নীংবগী ৱাদি ময়াম য়াওবা, চাননা নুংশিবগী ৱা ওইরক্লগদি ময়েক ইশেং শেংদবা, থৈরগা পুখিবগী ৱাসু ময়াম অমা য়াওবা মাল্লক্লি। থৱায় হেক থাদোক্লগা লৈবাক নুংশিবা ওইগনি হায়বসি থাজবা হেঞ্জিনবসু ওইবা য়ারিবনি। লৈবাক নুংশিবগা লৈবাক নীংবগসি খেন্নে, হেক তোৎশিন্নবা য়াওবগা থৱায় থাদোকপা ঙম্বগা নকশিন্নরকই। অদুদনি নুংশিববুদি নীংবনা ফগনি হায়নরকইসি। নুংশিবদি পঙনুং নুংশিবা য়াই, নীংবদি ময়েক শেংনা নীংদবা য়াদে। নীংবনি-নীংবনি হায়নরিবা ময়ামসি চুম্না নুংশিবা ওইরমগদৌ মাল্লকই। মখোয়না লৈবাক অমা শেমগৎপা ঙমগদৌ ওইরবদি নহান্না ওইরগনি। ওইবা ঙমদ্রদি মরম শোয়দনা লৈগনি। নুংশিবদি মরম থিগৎত্রবসু য়াই, নীংগে হায়রবদি মরম চুম্না থিগৎপা ঙমগদৌবনি খল্লি। চহী লিশীং অনীগী ৱাতা নত্তে, চহী মিলিয়ন অমা/অনীগী ৱাদু নীংশিংবসু য়াই। হন্দক্তা চিকমাঙ মাঙহনবা ঙল্লিবসিদা নীংলিবনি হায়বসি চুনবা ৱাৎপা মশানা তাবনি। নীংবা হায়বসিদা নীংশিংবা অমসু লোয়নরি। অসুম নীংশিংলগা য়েংবদা খুমন লৈবাক মুৎখ্রে, মোইরাং লৈবাক মুৎখ্রে, মৈতৈ লৈবাকসু মুৎখ্রে হায়বসি ময়াম্না য়ানরবা অদুনি। হৌজিক লৈরিবসিদি ইন্দিয়াগী মণিপুরনি। য়াগে য়াও, য়ারোই তোকউ লৈরিবসি হায়বা তাবনি। কুইর-কুইরগা হংনরক্কদৌরিবসি মুৎখ্রে হায়রিবা লৈবাকশিং অসিগী মীশিংদু কদায়দা লৈখ্রবগে হায়বসিনি, অসুম নোক্লিংলকখিনি। হান্না নীংশিংবা ফাওবা ঙম্নরুদ্রবা ৱা ওইনা তাবসু য়ারিবনি। অদু য়ৌনা লৈখা তারবনি হায়বদু চুল্লক্কদৌরি। হৌজিক ফাওবদি ময়েক শেংনা থোক্লককপা ইউ উদ্রি। লৈখা তারগা মুৎখ্রবা ওইগদৌরিব্রা?

কনানা কনাবু ইকায় খুম্নদবা য়াওখ্রবগে? হান্না লৈজরম্বা খরগী মমিং মথা ফাওবা ওন্থোকপীরে; ময়ূম, লৈকায়, মরমদম ফাওবা মমিং ওন্থোকখ্রে; মরোল, মনাৎ ওন্থোকপা য়াবা ওন্থোক্লে। অসিবুরা অমনা অমবু ইকায়খুম্নবা হায়রিবসি। মসি খঙনা লৈবাক নীংবা মী কয়া য়াম্না লৈরদনা ৱাজাও ঙাঙনরিবনো? য়েৎনরিবা লূপ মশীংনা নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লিবসি লৈবাক নীংবগীদি মান্দে। মাগী মাগী অনীংবদা পঙনীংদা নীংবা হেনগৎনরকপা ওইগদৌরি। মচা নুংশিবা মমানা মচাদু তঞ্জায় য়েন্নসি হায়বা য়াখিদে। মমানা ময়ূম অমুক পানখিবদা শাওজবা মচাসু লৈ, নুংশিরবদি করি তৌগদৌবনো?

মী উশিত্তবা, মীনা ঙাঙবসু তাদবা, মানা মহেল্লে খনবা, মানা ঙাঙবতা তাউ হায়বা, নাপল কাবা, নঙনা করি হেল্লি খনবা, মানা খল্লিবদুনা চুম্মী খনবা, নঙনা করি খঙলদনা হায়বা ঙম্বা ময়াম অমনা নমথরগা কুপশিল্লগা থমখ্রবনি। হান্নগী লৈবাক্তু নীংশিংলগা লৈবাক ওইনা হিংলদৌবসু নত্তে। হিংগে হায়রবসু হান্নগী থবক্তু তৌগদৌবা নত্তে, অনৌবা থবক অমা ঙমগদৌবনি। ঈশৈ খরা শকপা, ৱারী খরা লীরগা লৈবাক নীংলবনি হায়বদি য়ানরোই। মাগী মাগী মীওই য়াঙ্খ্রে চাম্মগী তোঙান তোঙানবা লূপ শেম্নরগা নুংঙাইজবা ফুরুপশিংনি। লূপ য়াম্বগী থবক তৌনবা মী য়াম্বগীদি ফরে, লূপ য়াম্লগা পূনবা য়ানদ্রবদি পুল্লপ মুৎনবা শিল্লিবনি, কাঙলূপ অয়াম্বা মূৎচনবা শাজৎ ইরোয়নরিবা মাল্লক্লি। মখোয়না নীংলিবা লৈবাক অদুবু করম্বনো? মমা মচা মশক খঙনবা মাল্লক্তে। চেঙ য়েনগে, থাও য়েনগে, খোংবান তৌগে, লম্বী শেমগে হায়বশিং অসিদি লৈবাক নীংবগীনি হায়বা য়ারোই, মখোয়না তৌরিবসিদি মীবু অপঙবা শীরগা থেম্নবা তৌবনি, মীয়াম নীংবা শাবনি, নুংশিবসু ওইদবা য়ারিবনি। শেল হাৎলি হায়বগী নোংমৈনা কাপ্পা য়াওখ্রে। ভোট য়ৌশিল্লকপগী পার্টি-পার্টি ফূদৎনবা অসিবু লৈবাক নীংবগী ওইরদি দ্রগ লল্লোনবসু লৈবাক নীংবগী ওইবা তারক্লি, য়ু লিক্লি থুগায়রগা মৈ থাবসু লৈবাক নীংবগী ওইগদৌরিব্রা? লৈবাক নীংদববু কনা লৈরিবগে?

লম্বী থিংবা, লম্বীদা টাইয়র মৈ থাবা ময়ামসি লৈবাক নীংবগী ঙাক্তনি। মী হাৎন-শুনবা য়াওবগা ময়ূমদগী তান্থোকপা, লৈশা-পাখঙ মরূ কোকপীবা, ফৌবৈ মৈ থাবা ময়ামসিসু লৈবাক নীংবগী চিংই। মন্ত্রিনা শেল চাবদগী ওফিসরনা শেল চাবগী ৱাতনি, শেল তানবা হায়বসি লৈবাক নুংশিবগীনি। অমনা অমগী মায় ঙাক্লবগী কেস তৌনদবগী ৱাদুনি। লৈবাক নীংবসি লোনা থিংবা য়াবা নত্তে, ওজানা লো তন্বীগদৌবদা জজশিংনা কোয়চৎ চৎলগা লো তন্বীবা হৌরকইবা অসিনিদনা। ওজানা ভোট লেপ্পসু চানবা নত্তে হায়বা য়াওরকইবা অসিনি। লৈবাক নীংবসিসু ওজানা তন্বীবা য়াবা নত্তে। পোকপদগী য়াওরক্কদৌবনি হায়বসু লৈরি।

লৈবাক নীংবসি শেল তানবগী ওইরবদি মী য়ামহন্নীংদবা য়াওরকপা মশানা তাবনি। অদুনবু এম এল এশিংগী পেন্সন হায়রিবসি তোলোপতগী হেন্না পীরিবসি লৈবাক নীংবা খরা হেনবগী ওইগদৌরিবনি। তোলোপ চাউনা চাউনা চারিবশিংসি লৈবাক নীংবা হেনবগীনি। তোলোপ য়াওদনা লৈবাক নীংবা য়াওরুরগনা লমশি শিবসু য়াওরিবনি।

তৌরিবা থবক খুদিং লৈবাক নীংবা তান্নবগী ওইরক্লি। ●